FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	83.598483
US Dollar	74.480102
British Pound	99.150445
Australian Dollar	53.510554
Chinese Yuan Renminbi	11.661291
Japanese Yen	0.645844
Malaysian Ringgit	17.614371
Singapore Dollar	54.460544
South Korean Won	0.062524
Saudi Arabian Riyal	19.861360
Thai Baht	2.229512

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	48705.00
Mumbai	–	Rs	49680.00
Delhi	–	Rs	49530.00
Kolkata	–	Rs	49930.00

GAS NEWS

KHORIPHABA NAMBOL Bk. Uptodate
Timing:6am to 10am
Home delivery no :
9366471778, 8974087390,
8787632782

HEINGANG INDANE GRAMIN VITRAK.
BOOKING upto 25/11/2021
VALID FROM.16/11/2021.
FOR HOME DELIVERY.
M.NOS.9089766365
& M.BOOKING
OFFICE-9089161416.
CONT.TIME.8.00AM.
TO.11.00 AM.

M/S R & H INDANE SERVICE IRILBUNG
Only Home Dellivery
Booking Upto 21/10/2021
Valid from 11/10/21
Stock 306 nos.
Home Dellivery & Booking
Contact numbers
8132036940, 8414824977,
8413936705, 7085786488
Call Time 8am to 12 noon
Sunday closed

TDK GAS
BK. UPTO 27/09/21.
VF. 20/09/21.
HOME DELIVERY
ONLY CONTACT NOS.
6909614353/8731992324.
TIMING 9:00 am to 3:00pm

HRANGCHAL GAS AGENCY
VALID FROM: 04/11/2021
BOOKING upto:05/11/2021
BOOKING AND ENQUIRY
ONLY : 03852444677,
9436280866
TIMING: 7:30 am to11:00am

MANIPUR GAS SERVICE
Area wise home delivery and contact number, Call timing
8.00 am - 12.00 pm
1) Ahallup, Heingang, Kairang, Khabam, Achanbigei, Mongjam (9863385995)
2) Mantripukhri, Luwangsangbam, Koirengei, Nilakuthi, Khonghampat & Surrounding etc. (8787857518)
3) Lairikyengbam Leikai, Khurai, Pangei Road, Ukhrul Road, Kongpal, Top (7424085506)
4) Laipham Khunou, Nagaram, Dewlahland, Namdunlong, Khoyathong, Nagamapal & Uripok Road (8414886475)
5) Hatta, North AOC, Ragailong, New Checkon, Wangkhei, Kongba etc. (9366468676)
6) Poumai Colony, Sangakpham, Nongmeibung, Tellipati, Soibam Leikai, Wangkhei Khunou, Porompat, Kshetrigao A/C (7005282449)
7) Thangmeiband, Lamphel, Langol, Tarung (7005439154)
8) Chingmeirong, Thangal & Paona Bazar, Sagolband, Keishampat, Khagempalli, Kwakeithel, Singjamei A/C etc. (8131832195)
8) Complaint and Enquiry Number 8730954041
Booking upto 12/11/2021
Valid from 19/10/2021

IMPHAL LPG SERVICE
(Home Delivery only) Ujjwala connection available :12-11-2021 Update Gas Card With Fresh personal photo . New Contact Office No. 6009392991, 9362654114, 03853560556.
Time 8:30 to 12:30 .
Those who haven't received send to whatsApp no.9863624773 their form no1.also available 19kg and 5kg .please don't use other numbers except the notified one. Those Deactivated one submit Aadhar and KYC form for activation.In view of covid19 and curfew booking can be made through IOCL
1. For whtsapp booking type <REFILL#>LPG ID NO. e.g. start from 70000000xxxxx xxx 16 digital. Send to 7588888824.
2.For onlidistributorsne payment use<Indane Oil One app>
It's applicable for all of IOCL. Encourage online payment. Please prepare document i.e. Aadhar accompanied with phone no.and voter ID for Ujjwala connection.

নুপী শুমাং লীলা চাংদম্নবা হৌখ্রে

অহানবা নুমিৎতা মালোম পান্থোইবী আর্টিষ্ট এসোসিএসনগী 'নুপী লালগী অহানবা মৈরি' উৎখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৫ (ঐচএনএস) : অজাদি কা অমৃট মহোৎসবকী মনুং চন্না লৈঙাক্কী আর্ট এন্দ কলচর লোয়শঙনা শীনবা নুপী শুমাং লীলা চাংদম্নবা (ফেষ্টিবেল) ঙসিদগী ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেনদা হৌদোকখিবগা লোয়ননা অহানবা নুমিৎতা মালোম পান্থোইবী আর্টিষ্ট এসোসিএসনগী 'নুপী লালগী অহানবা মৈরি' উৎখ্রে।

লোয়শঙ অসিগী কম্মিস্নর এম জয়না অথোইবা মীথুংলেন ওইরগা মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সিলগী লাইফ টাইম প্রসিদেন্ট পি ঐচ গুনচন্দ্রনা অখন্নবা মীথুং ওইদুনা হৌদোকখিবা থৌরমদা ময়ায় তাংবল লৌখিবা লোয়শঙ অসিগী দিরেক্টর এন জি উত্তমনা নুপী শুমাং লীলাগী অথোই অহেন তান্নবা অসি নুপী লাল নুমিৎতা মনা য়েন্থোক্কদবনা তঙাইফদনা ঙসিদগী পাঙথোক্তবা য়াদবদগী পাঙথোকপনি। নুপী শুমাং লীলাবু য়োকখৎচবা অমদি অজাদি কা অমৃট মহোৎসবকী মনুং চন্না অমসুং নুপী লাল থৌরমগা মরী লৈননা পাঙথোকপনি হায়খি।

নুপী শুমাং লীলাসু মীয়াম্না হেন্না পাম্নহন্নবা হোৎনগদবনি। নুপী শুমাং লীলাবু য়োকখৎপীবা, য়েংবীবগা লোয়ননা লীলা অসিদা মীয়াম্নসু থৌদাং লৌবীয়ু হায়খি। মীয়ামগী মতেং য়াওদ্রবদি শুমাং লীলা হায়বসি হিংবা ঙল্লোই হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি।

থৌরমগী নুংগী ৱারোল লোয়শঙ অসিগী দেপ্যুটি দিরেক্টর জি ধর্ম্মদাসনা ফোঙদোক্লদুনা নুপী শুমাং লীলা অসিসু কৌবীদুনা অতোপ্পা মফমদা উৎপা নত্তে। ষ্টেট কলা একাদেমিনা শীনবা ফেষ্টিবেল নত্তনা লীলা উৎনবগী মফম লৈজদে। মরম অদুনা লোয়শঙনা অমুক্কসু হাপকৎচরগা য়োকখৎচবনি হায়খি।

ঙসি অহানবা উৎখিবা লীলা অসি এন রোমেন (লুকোক) না ইরগা ৱাই সোমিতানা লমজিং লমতাকপনি। লীলা অসিগী শৈশকপীনা সাইবিয়ানি।

লীলা অসিদা শক্তম লাংখিবশিংনা ৱাই জামিনি, কে ঐচ প্রিয়োদর্সিনি, এল দয়া, কে ঐচ আশা, এ বোর্নি, এস ঐচ লনধোনি, ৱাই মিরাবাই, এ নাওবী, টি ঐচ মঙলেম্বী, ৱাই মনি, কে ঐচ ইবেচা, ৱাই সোমিতা, পি পোদোস্না, ও রোজি, এল ইশোনি অমসুং কে সৈবিয়ানি।

এসেমব্লিদা এ দি সী বিল পুথোক্লগনি হায়বদগী ...

লামায় ১গী মখা... খূৎয়েক অদু লৈঙাকসিগী মিনিষ্টরশিং লেটপাও হাওকিপ, এল দিখো অমসুং বুংজাগিন বালতে য়াওনা ত্রাইবেল এফেয়রস এন্দ হিলস দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংগী মমাঙদনি।

নাকল অনীমক্না য়াশিন্নখিবা ৱাফমশিংদি ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলস (এ দি সী) বিল, ২০২১গী দ্রাফ্ট অসিগী মতাংদা থা অসিগী ৩০ ফাওবগী নুমিৎ মঙানিগী মনুংদা ষ্টেট গভর্ণমেন্ট অমসুং মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী হিল এরিয়াজ কম্মিটিগী মরক্তা দিস্কসন অমা পাঙথোক্লগনি। অদুগা দ্রাফ্ট এ দি সী বিল, ২০২১ অসি কন্সটিট্যুসন ওফ ইন্দিয়ানা পীরিবা প্রোভিজনশিংগী মথৌ তাবা থবকশিং মপূং ফানা পাঙথোক্লবা মতুংদা লাক্লিবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী নীংথম মীফমদা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা পুথোক্লগনি হায়বসিনি।

লোয়ননা গভর্ণমেন্টনা ফাজিনখিবা অন্সম, অটসুম অমসুং কে এস ওগী থৌপুবা পূন্নমক কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা থাদোকপগা লোয়ননা চথুরক্লিবা ইন্দিফিনিট ইকোনোমিক ব্লোকেদ অসিসু মতম খরগী ওইনা সস্পেন্দ তৌবদা য়ানখি। য়ান-চেরোল অসিদা অন্সমগী প্রসিদেন্ট ৱাংলর থিরতুং, অটসুমগী প্রসিদেন্ট পাওতিন্থাং লুফেং অমসুং কে এস ও - জি ঐচ ক্যুগী প্রসিদেন্ট সসাং ভাইফৈনা খূৎয়েক পীখি।

পনবা য়াবদি থা অসিগী ২২দগী চথুরকখিবা ইনিদফিনিট ইকোনোমিক ব্লোকেদ অসিগা মরী লৈননা ঙরাং তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী নুংবাদা মফম অদুগী পুলিসনা ব্লোকেদ চথুরক্লিবা মহৈরোয়শিংগী লূপ অহুমগী লুচিংবশিং ফাগৎখিবনি। অদুগা মখোয়বু ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনদা রিক্যুজিসন তৌদুনা থম্বগা লোয়ননা ঙসি নুমিদাং মরী লৈনবা কোর্ট নৎত্রগা দ্যুটি মেজিষ্ট্রেটকী মমাঙদা পুথোক্তুনা পুলিস কষ্টদি রিমান্দ লৌনবা থৌরাং তৌরুরবনি। অদুগা নাগা ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন, চান্দেল, কুকি ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন, সদর হিলস, অটসুম, সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন, কুকি ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন, চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট, তাঙ্খুল কতমনাও শকলোন (টি কে এস), উখ্রুলগী মায়কৈদগী ঙরাং নুমিদাং অথেংবা পুং ১১.৩০ রোম তারকপদা নুঙবাদগী মহৈরোয় লূপ ৩সিগী লুচিংবশিং ফাজিনখিবা অদু ঙসি নুংথিল পুং ২ ফাওবগী মনুংদা কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা থাদোক্কদবনি। করিগুম্বা হায়রিবা পুংফম অসিগী মনুংদা থাদোরক্ত্রবদি হেন্না কনবা খোঙজংশিং চঙশিল্লগনি অমসুং মদুদা থোরকপা থৌদোকশিংগী থৌদাং মণিপুর লৈঙাক্লা লৌগদবনি হায়দুনা ফোঙদোরকখিবা লৈখিবনি। অদুগা তোঙান তোঙানবা লূপশিং অসিনা ইন্দিফিনিট ইকোনোমিক ব্লোকেদ চথুরিবা মহৈরোয় লূপশিংগী লুচিংবশিং ফাজিনখিববু কন্দেম তৌবসু ফোঙদোক্নরকখিবনি।

থৱায় ফাওবা কৎথোক্তুনা মণিপুরগী ইন্টিগ্রিটি ঙাক্তুনা লায়রবসু কোকহনগনি ...

লামায় ১গী মখা... ৱাংহন্নবা, লম্বী-থোং মতিক চানা শেম্নবা অমসুং হকশেলগী কাংলোন চুম্না লৈবা য়ান্নবা, অফবা ঈশিং ফংহন্নবা হোৎনরমদবা য়াদ্রে হায়না লাক্কদৌরিবা ইলেক্সন অসিদা ভোট লেপকে হায়না থোক্লকপনি।

ৱাহং : হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসি অফবা লৈঙাক অমনি খনবিব্রা? এম এল এ খরা হন্দক দিসক্কালিফিকেসন তৌখিবা অদুগী মতাংদদি করি হায়বিনিংই।

পাউ : কোঙ্গ্রেসনা চহী ১৫ পাল্লিঙৈ মতমদা লৈরম্বা লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম অমদি চীং-তমগী মরি অদু হৌজিক্কা য়েংনরুরবদি চাম্মদা ৯০ য়ৌনা য়াম্না ফরে। বি জে পি হায়বা পার্টি অসি মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা মেম্বর মশিং য়াম্বা পার্টি অমনি। বি জে পিগী ইন্টিগ্রেল হ্যুমেনিজমগী ৱাখল্লোল অমদি খ্বাইদগী তোনবা মীওই অদুবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎপিবা হায়বনচিংবা আইদিওলোজি য়াম্না ফজবা পার্টি অমনি। হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা তৌরিবা থবকশিং অসিদা মপুং ফানা পেল্লে হায়বদি নত্তে, তৌবতবু কোঙ্গ্রেসনা চহী ১৫ লৈঙাক পায়রিঙৈ মতমগা য়েংনরুরবদি য়াম্না ফরে হায়না খল্লি। মসিদগী হেন্না ফন্নবা হোৎনবদা শরুক য়াজগে হায়না খনবদগী পোলিটিক্সতা চঙলকখিবনি। এম এল এ খরা দিসক্কালিফিকেসন তৌখিবসিদা হায়জনিংবা ৱাফমদি কন্সটিট্যুসননা য়াদবা পোৎশক অদু তৌরুরবদি মদুগী চৈরাক ফংবা হায়বসিদি হৌনশানি।

ৱাহং : লাক্কদৌরিবা মীখল অসিদা করম্বা পার্টিদা মীরেপ ওইগদৌরিবগে? করি-করম্বা ইস্যুদা য়ুম্ফম ওইরগা মীখল লান্থেংনগে খনবিরি।

পাউ : ঐহাক হৌজিক-হৌজিক বি জে পিগী নেসনল সেক্রেটরি (কিষান মোর্চা) অমা ওইনসু থৌ পুরি। এ সী অসিদা বি জে পিগী এম এল এসু লৈরি। অদুবু বি জে পিগীদমক কৎথোকপা অমগা লোয়ননা থবক তৌদুনা লাকখিবা অমদি পোলিটিকেল পার্টিদা চঙবদসু বি জে পিনা অহানবনি। মরম অদুনা পার্টিগী লুচিংবশিংনসু নুংশিবিবা মরম্না বি জে পিগী টিকেটতা ভোট লেপকনি। হৌখিবা ইলেক্সনদসু পার্টিগী লুচিংবশিংনা পার্টিগী য়েংলগা বি জে পিদা সপোর্ট তৌ হায়বদগী ভোট লেপ্তুনা সপোর্ট তৌদুনা লাকখি। মরম অদুনা হন্দক্তদি বি জে পিগী টিকেট শোয়দনা ফংগনি হায়বগী থাজবসু চপচানা লৈ। লায়রবা কোকহন্নবা অমদি নহাশিংগী তুংগী লম্বী শেমলম্নবগী থবক তৌরমগে হায়বা ৱাফমশিংদা মরুওইনা ভোট থেংনগনি।

ৱাহং : কুমজা ২০২২গী জেনরেল ইলেক্সনদা করিগুম্বা ভোট কারবদি ইহান-হান্না এ সী অসিগী মীয়ামগীদমক করি-করম্বা থবক তৌগনি?

পাউ : করিগুম্বা মীয়াম্না এ সী অসিগীদমক পাঙথোক্লিংলিবা থবকশিং অমদি ৱাখল্লোল খঙবিদুনা ভোট কাহনবিরবদি অহানবদা এ সী অসিদা ৱানা পুন্সি লেল্লিবা লায়রবগী পনখৈদা লৈরিবশিং অসি কোকহন্নবা হোৎনগনি। ফীভম শাথিনা শোক্তুনা লৈরিবা লম্বী-থোং, থক্লনবা ঈশিং ফংদ্রিবা অমদি মৈ ফাওবা মতিক চানা থানবা ঙমদবা ইমুং লৈরিবশিং অসি লৈহন্দনবা থবক পায়খৎকনি। হন্দক্তসু মৈ থানবা ঙমদনা লৈরিবা ইমুং কয়াদা ঐহাক্লা মৈ থান্নবা থবক কয়া পায়খৎখি। লৌমীশিংনা হৌজিক-হৌজিক থেংনরিবা অৱাবা খুদিংমক মপুং ফানা কোকহন্নবা হোৎনগনি। ইকোনোমি খোঙজেল য়াঙনা ফগৎলক্নবগীদমক ট্রান্সপোর্ট অমদি কনেক্টিভিটিগী ফীভম য়াম্না ফগৎনবা থৌরাং-থৌশিল কয়া পায়খৎকনি। এ সী অসিগী লৈত-লায়রবা মীয়াম্না ফংফম থোকপা রাইটশিং অদু এ সী অসিমক্কী ফংফম থোক্তবা ইনাক-কৈরাক খুনবা, শঙ্গ-পঙ্গ লৈবা মীওইশিংনা ফংদুনা লৈরিবা অসি থোক্তনবা হোৎনগনি। মসিদা হাউসিং ফোর ওলগী স্কিম ওইবা য়াই নৎত্রগা লৈঙাক্লা পীরিবা স্কিম অমা হেক্তা ওইবা য়াই। পূন্নমক অদু মথৌ তারিবা ফংফম থোকপা মীওইশিংদা শুংশোয় শোয়দনা ফংহনগনি। হৌখিবা এম এল এশিংনা মীয়ামগী য়াইফনবা লো মশক থোক্লা শেম্বা উদ্রি। করিগুম্বা ঐহাক্লা এম এল এ ওইরবদি লৈবাক মীয়ামগী য়াইফনবা লো কয়াসু শেমগনি। এম এল আর এক্ট শেমদোক্তুনা মণিপুরবু অনৌবা মণিপুর অমা ওইহনগনি। ঐখোয়গী ইপা-ইপুশিংনা থাংতনা য়াৎপিরম্বা মণিপুরগী ঙমখৈ অদুবু হৌজিক্তি ঐখোয়না ইমা লৈবাক্কী ঙমখৈ ফাওবা ঙাকপা ঙমজদ্রে। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা অসুমক লৈরগদি তুংগী চারোল-শুরোলশিংনা মতৌ করম্না নুংঙাই-য়াইফনা লৈবা ঙমহৌগনি অমদি মখোয়না ঐখোয়বু করি হায়না ঙাওনহৌগনি হায়বসি ঐখোয় পূন্নমক্লা খন্থমিন্নবা চঙই। তুংগী ইচা-ইশুশিংগীদমক ঐগী পুন্সি ফাওবা কৎথোক্তুনা থবক তৌগে হায়না চপচানা লেপ্লে।

ৱাহং : নিংতম্বা ফংলবা মতুং শাংলবা চহী ৭৫ শুরক্লবা ফাওবদা অতৈ ষ্টেটশিংগা য়েংনরুবদা ঐখোয়গী ষ্টেট অসিনা য়াম্না শোৎথনা লৈরিবগী অচৌবা মরম করিনা ওইরম্বা য়াই?

পাউ : ইন্দিয়াগী অতোপ্পা ষ্টেটশিংগা য়েংনরুবদা চাওখৎপা থিন্থনা লৈরল্লিবা অসি ঐখোয় ইশানা থোকহনবনি হায়জনিংই। ইপা-ইপুশিংদদি চৈনিংদে। মণিপুরনা ইন্দিয়াদা পুনবা মতমদা শৌগৎখিবা মীওইশিংনা অমদি পার্টি অদুনা করিগীদমক মণিপুরগী মীয়ামদা খুদোংচাবশিং অদু পীগদবনি হায়হৌদ্রিবনো অমদি করিগীদমক ইচা-ইশুশিংগী ফংফম থোকপা রাইটশিং ফংনবা হায়দনা তুমিন্না লৈহৌরিবনো? চহি কয়া সেন্টরদা পানখিবা কোঙ্গ্রেস লৈঙাক্লা অমদি ষ্টেটকী লৈঙাক চহী কয়া পায়খিবা কোঙ্গ্রেসনা মণিপুরগী চাওখৎ থৌরাংগী মতাংদদি মপুং ফানা নেগলেক্ট তৌবিরম্লে। খুদম ওইনা হায়রবদা কবো ভেলি ম্যান্মারদা খুদোল ওইনা পীথোকখি। অসিগুম্বা চাওখৎ থৌরাংগী থবক চহী কয়া নেগলেক তৌদুনা লাকখিবা অমদি চীংগা-তমগসু মখোয়না খৎনহনখিবা মরম্না চাওখৎপা মপুং ফাবা ঙমদনা লৈরি। তৌফম থোক্তবা হিষ্ট্রিনা ঙাকপিবা ঙল্লরোইদবা থবক কয়া তৌবিখি। মণিপুরগী রিসোর্স লৈনবা অমদি চাওখৎনবা লম্বী থবক অমত্তা তৌবিদনা মীপান তাংদনা লৈনবা থৌরাংশিং তৌবিরমখিদে। খুদম ওইনা হায়রবদা লোক্তাক প্রোজেক্ট এন ঐচ পি সীদা পীথোকখ্রিবসিনি। রিসোর্স অমদি লমনা ঐখোয়গী ওইজরবসু শেলনা মখোয়না তানখিবা অসি লৈঙাক অদুগী য়াম্না চাওবা অশোইবনি। ঐখোয়গী নহাশিং মালেমগী চাওখৎলবা লৈবাকশিংদা লৈরিবা নহাশিংগা চাংদম্নবদা শোৎথগদবা নত্তে। অদুবু মখোয়না অৱানবা লম্বী অমদা লমজিংবিদুনা চৎপনা ঙসিগী ফীভম অসি ওইরম্বনি। অদুবু নরেন্দ্র মোদিনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরকপদগীদি ঙসিদি মণিপুর য়াওনা নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেটশিং চাওখৎনবা থবক থৌরম কয়া পায়খৎপা হৌরক্লে। স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি শানবগী অয়াবা পীবিরকপা অসি মণিপুরদা লৈরিবা নহাশিংগী টেলেন্টশিং অদু মশক খঙবিরকপগী চাওরবা খুদম অমনি। লোয়ননা মতম অদুগী সেন্টরদা পাল্লম্বা কোঙ্গ্রেস লৈঙাক অমদি মণিপুরদা পাল্লমখিবা কোঙ্গ্রেস লৈঙাক অনীগী অশোয়বনা ইরমদম অসি চাওখৎপা ৱাৎনা লৈরম্বনি হায়জনিংই। করিগুম্বা মখোয়না লমদম অসিগী নহাশিংগী টেলেন্টশিং খঙবিদুনা থবক থৌরম পায়খৎপিরল্লবদি লমদম অসিদা হৌজিক-হৌজিক থেংনরিবা প্রোব্লেমশিং লৈরমদবা য়াই। হৌজিকসু মঙাই প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ফনা য়াম্না চাওখৎনবা হোৎনবিরক্লবসু ঐখোয়গী পাল্লিবা লৈঙাক্লা কান্নবশিং অদু লৌবা ঙমদ্রবদি হান্নগুম অদুমক তাদুনা তোক্কনি। ইন্দিয়াগী ষ্টেট অমা ওইরিবনি মরম অদুনা ফংফম থোকপা রাইটশিং ফংদবা য়ারোই, করিগুম্বা রাইটশিং অদু পীবা ঙমদ্রগনা অদুমক ঐখোয় তোঙান্না লৈজরগে হায়বা ফাওবা তুমিন্না নারোলদা থবক তৌবগী মহুৎতা ফোংনা ঙাঙবা ঙম্বগী থৌনা ঐখোয়গী লুচিংবশিংদা লৈহন্নিংই। সেন্টরদগী কোভিদ-১৯গী অৱাবা মায়োক্নরিবা মীয়ামদা চেং লেম্না ফংহল্লু হায়না পীরকখিবদা মীয়ামদা চেং ফাওবা শুনা ফংহনবা ঙমদবা অসিনদি লৈবাক চাওখৎহনবা ঙল্লোই।

ৱাহং : অদোমগী এদ্যুকেসনদি কদাই ফাওবা লোইশিনবিখ্রবগে? ইমা-পাবুংগী মীংনা করি কৌবগে?

পাউ : ঐহাক গ্রেজ্যুএসন লোইরবা মতুংদা মাষ্টর তৌগে হায়না তৌরকপা মতমদা ইমুং-মনুংগী অৱাবা খুদোংচাদবা খরা লৈবদগী গভর্ণমেন্ট জোব মচা অমা তৌখি। অদুবু দিষ্টেন্স এদ্যুকেসনদা পোলিটিকেল সাইন্সতা এম এ লোইশিনখি। ঐহাক্কী অপোকপগী মীংনা খুমুকচম অচৌ কৌই অদুগা অপোকপিগী মীংনা খুমুকচম ওংবি পীশক কৌই। ঐহাক সোসল এক্টিভিষ্ট অমা ওইনা থবক তৌরি।

ৱাহং : এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অসিগী অপুনবা ভোটর মশিং অমদি পোল্লিং ষ্টেসন কয়ানো? নন মণিপুরী ভোটরদি লৈব্রা?

পাউ : এ সী অসিগী টোটেল ভোটর হৌজিকমক্কী ওইনা লিশিং ২৭ হেন্না লৈ, পোল্লিং ষ্টেসননা ৩৯ নি। নন মণিপুরী ভোটরদি লৈতে।

ৱাহং : পোলিটিসিয়নশিংনা ভোট কারবা মতুংদা থবক কয়া তৌগনি হায়নৈ অমদি পার্টিশিংগী মেনিফেষ্টোদা ইনৈ-ফোঙনৈ, অদুবু মপুং ফানা চাদা ৭০/৮০দি পাঙথোক্তে হায়নরি। সোমদি এ সী অসিগী তৌগে খল্লিবা থবকশিং অসি মপুং ফানা তৌবা ঙমগনি খনবিব্রা?

পাউ : ঐনা এ সী অসিগী মীয়ামগীদমক অমদি ইমা লৈবাক মণিপুরগীদমক তৌগনি হায়খিবা থবকশিং চাম্মদা চাম্মা তৌদুনা লৈবাক মীয়ামদা উৎকনি। থবক হাপ্পদা শেল লৌবগী হৈনবি থাদোকসি, ঐ ইশামকসু লৌজরোই, ঐঙোন্দসু শেল পীবিরক্নু। ঐনা এম এল এ ওইরবদি লায়রবা কোকহন্নবা হোৎনগনি। নহা খুদিংমক্তা গভর্ণমেন্ট জোব পীবা হায়বসি ওইথোক্লোই মরম অদুনা মশা-মশাগী ক্বালিফিকেসনগা চান্নজবা অমদি মখোয়না তৌজরিবা শীনফমশিং য়েংলগা থবক পীদুনা মরোমদোম লেপচবা ঙম্নবা হোৎনগনি। লৈঙাক্কী থবক লৌবদসু এ সী অসিগী ফংফম থোকপা চাকথুংগী মতুংইন্না ঐনা ঙমজবা অদু শেল শুকলৌ লৌদনা থবক পীগনি। ঐগী পুন্সিদা মীয়ামগীদমক থবক পাঙথোক্কে খল্লিবশিং অসি পাঙথোক্ত্রিবা ফাওবা তুমিন্না খক লৈরোই, হেক পাঙথোকপা ঙম্বা মীৎকুপতা পোকপগী মহয় য়াল্লে হায়না খনজগনি। শিদ্রিঙৈদা লমদম অসিগী মীপুম খুদিংমক্লা মোমোন-নোক্লা হিংবা পুন্সি মরেল অদু উবা পাম্মী।

ৱাহং : পোলিটিক্স তৌবা পোলিটিসিয়ানশিং মীয়াম্না ফনা ইঙাঙ ঙাঙনদে। মীয়াম্না ফনা ঙাঙনদ্রিবা লম্বী অসিদা চঙশিনগে খল্লিবসি করি মরম লৈবননো?

পাউ : ইশাগী চহি ১৬ শুরকপদগী এমসুদা য়াওদুনা লৈবাক্কী ওইবা ইস্যু কয়াদা থবক তৌবা হৌরকখি। মহৈরোয় অমা ওইনা অমদি মহৈরোয় লুপকী পামজবা থবকশিং লৈঙাক্লা মপুং ফানা তৌহনখিদে। সোসল এক্টিভিষ্ট অমা ওইনা চহী ৩৫ হেন্না থবক তৌদুনা লাক্লবসু মীয়ামগী য়াইফনবা মপুং ফানা থবক তৌবা ঙমদনা লাক্লি। ঐহাক্লা লায়রবা কোকহন্নবা হোৎনদুনা লাক্লবসু চাদা ২০ ফাওবা কোকহনবা ঙমদ্রি। ঐহাক্লা লমদম অসিদগী লায়রবা কোকহন্নবা, মীপুম খুদিংমক শেঙ্গোক লম্বী লৈনবা থৌরাং-থৌশিল কয়া অমা পায়খৎকনি হায়রিবসি সোসল এক্টিভিষ্ট অমা ওইনা পাঙথোকপা ঙমখিদে অদুগা অঙম-অথৌ, অচৌ-অশাংশিংনসু ঐখোয়গী ৱাকৎ তাবিদে। মরম অদুনা এম এল এ অমা ওইদুনা লো শেমদুনা থবক পায়খৎপা মথৌ তারি। ঐনা পোলিটিক্সতা চঙলক্লিবসি তশেংনা থেংলবনি। খরা ঙন্না চঙলম্লবদি চাদা ৩০/৪০ মুক্তি থবক পাঙথোকপা ঙল্লমগদবনি। মসি লুচিংবশিংবু থাজরুবগীনি। অদুবু হৌজিক্তি থেংলবসু থেংনা মীয়ামগী পাঙথোক্কে খঞ্জরিবা থবকশিং অসি পাঙথোক্তবা য়াদ্রে হায়না পোলিটিক্সতা চঙশিল্লকপনি।

ৱাহং : করসপন চাওনা লৈরে পূন্নমক্লা খঙনরবা ৱাফমনি। অদুবু করপসনগী মায়োক্তা লেপ্পদি কনা অমত্তনা ঙমদ্রি হায়বা য়াই। করপসন মপুং ফানা মুথৎপা ঙমদ্রবা মকসু খরা খজিক্তং ওইরবসু করি তৌরগদি হন্থহনবা ঙমগনি হায়না খনবিবগে?

পাউ : করপসন হায়বসি ঐখোয়গী খুন্নাই অসিদা মরা য়াম্না চেৎনা তাখ্রবা মাঙহনবা ঙল্লরোইদবা পোৎশক অমা ওইখ্রে। অদুবু করপসন হন্থহনসি হায়রগদি এম এল এ ওইবিরিবা অঙম-অথৌশিং হায়বদি এ সী ৬০ অসিগী মনুংদা চাদা ২০ মুক্তংনা ওইরবসু চপ মান্ননা লেপমিন্নদুনা অমদি মকোক থোংবা মীওইশিংগা চপ মান্নরগা হোৎনমিন্নবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী মকোক থোংবা মীওইশিংনা করপসন তৌদনবা অকনবা এক্সন লৌখৎলবদি করপসন হন্থহনবা ঙমগনি। মীয়াম্নসু করপসন তৌদনবা হোৎনবা মথৌ তাই। মরুওইনা লমদম অসিগী নহাশিংবু মপুং ফানা তোঙান-তোঙানবা সেক্টরশিংদা ট্রেনিং ফজনা পীদুনা শেন্থোক লম্বী লৈহল্লবদি থবক তৌবদা করপসন তৌনরক্লোই। ঐগী এ সীগী ওইনদি থবক লৌবদা করপসন অমত্তা তৌরোই হায়জরি।

ৱাহং : লৈবাক অসিদা ময়াই কাবা চিঙ্গাক্কী মায়োক্তা নুপীগী লুপশিং, সী এস ওশিং, মহৈরোয় লুপশিং অমদি লৈঙাক্লা থবক তৌদুনা লাক্লি। অদুবু ময়াই কাবা চিঙ্গাক চাবা-য়োনবা হন্থরকপগী মহুৎতা হেন্নদুম য়াম্না লায়না থোঙ্গাল-থোঙ্গালদা ফংনরকপগুম তৌরে। মসিগী মরম করিনা ওইরম্বা য়াবগে?

পাউ : ময়াই কাবা চিঙ্গাক্কী মতাং অসি য়াম্না পাক চাওখ্রে। ময়াই কাবা চিঙ্গাক ললোনবগী চাং হেনগৎলক্লিবসি তাবদা শাওনবদি য়াই অদুবু অশেংবদি লৈবাক অসিগী লুচিংবা অমদি অঙম-অথৌশিংনা চিনগা খুৎকা মান্নদবননি। ফাখিবা দ্রগশিং কদাইদা থল্লিবগে হায়বসিসু অচৌবা ৱাহং অমনি। লায়না শেল তানবা য়াবা লম্বী থীনরকপা অসিনসু অচৌবা মরম অমনি। মণিপুর ইরমদম গোল্ডন ত্রাইএঙ্গলগসু নক্লরুবা অমদি গভর্ণমেন্টগী মেছিনরিশিংনসু পুকচেল শেংনা থবক তৌবা ৱাৎপদগীনি। পূন্নমক্কী হৌরকফমদি লায়রবা হায়বসিননি, মরম অদুনা অহানবদা লমদম অসিদগী লায়রবা মাঙহন্নবা হোৎনবা মথৌ তারি। লৈবাক অসিগী লুচিংবশিংনা পুকচেল শেংনবু থবক তৌবিরবদি অমদি শেন্বি শাবিরগদি লমদম অসিগী নহাশিংনা ময়াই কাবা চিঙ্গাক শীজিন্নবগী মহুৎতা মণিপুরগী খুঙ্গং-খুঙ্গং খুদিংদগী সাইখোম মীরাবাইগুম্বী টেলেন্ট লৈবি নহা চাম্মা-চাম্মা পুথোকপা ঙমগনি। ঐখোয়গী এম এল এশিংনা করিবু সেন্টরদগী লৌথরগা থবক তৌবিখ্রবগে হায়বসিসু খঙমিন্নসি। মরম অদুনা ঐগী মায়কৈদগীদি নহাশিংগী ৱাখল্লোলদা চাওনা অওনবা অমা পুরক্লবগীদমক য়ুথ ফোর চেঞ্জ হায়বা এৱ্যারনেস প্রোগ্রামসু পায়খৎলি।

ৱাহং : থবক ফংদ্রিবা নহাশিংগীদমক করি-করম্বা থৌরাং-থৌশিল পায়খৎলবদি অনইমপ্লোয়মেন্টগী প্রোব্লেম হন্থহনবা ঙমগনি হায়না খনবিবগে?

পাউ : মণিপুরদা হৌজিক-হৌজিক থবক ফংদবা নহা লাখ ৭.৫০মুক লৈ। মসিগী মনুংদা গভর্ণমেন্টকী জোব পিবা ঙল্লবদা নহা লিশিং ৫০দা পীবা ঙল্লে হায়না খল্লসি, মসিসু পাক হেক পীবা ঙল্লোই। অদু ওইরবদি নহা লাখ ৭ অসিদা করি-করম্বা থবক পীগনি হায়বসি অচৌবা ৱাহং অমনি। থবক ফংদবগী চাং হেনগৎলকপনা করপসনসু হেনগৎলকপনি। মরম অদুনা লমদম অসিগী নহাশিংবু শেন্থোক লম্বী লৈহনদুনা মরোমদোম লেপচবা ঙম্নবা লম্বী কয়া য়াৎপা মথৌ তারি। স্মোল স্কেল ইন্দষ্ট্রি অমদি টুরিজম সেক্টরনচিংবা তোঙান-তোঙানবা থবক থৌরম কয়া অমা পায়খৎপা মথৌ তারি। অনইমপ্লোয়মেন্টগী লৈরিবা প্রোব্লেম অসি কমদৌনা সোল্ভ তৌসিগে হায়বা ৱাখল্লোলদা প্লানিং কয়া অমা পায়খৎপা মথৌ তারি। ঐনা এম এল এ ওইরবা মতমদা অনইমপ্লোয়মেন্টকী প্রোব্লেম অসি কোক্লনবা শোয়দনা হোৎনজগনি।

ৱাহং : ইন্দিয়াগী পোলিটিক্সতা করি-করম্বা শেমদোকহন্নিংবা অমদি হোংদোকহন্নিংবা ৱাফমগদি লৈব্রা? করিগুম্বা লৈরগদি হায়বিয়ু।

পাউ: পোলিটিকেল পার্টিশিংগী লুচিংবশিংনা শুপ্নগী মখোয়গী মচা-মশুশিং অমদি চারোল-শুরোলশিংদা লুচিংবশিং ওইহন্নিংবগী মহুৎতা মতিক চাবা মীওইশিংদা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী লুচিংবা ওইহন্নবগী তাঞ্জা পীহন্নিংই। মদুনা মরম ওইদুনা ফজরবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী আইদিওলোজিশিং পুন্মাং মাঙহল্লি। মরম অদুনা ইন্দিয়াগী পোলিটিক্সতা ৱাফম অসিমদি শেমদোকহন্নিংই। অমদি মতিক চাই-চাদে খন্দনা পোলিটিকেল পার্টি অমনা মীওই অমবু হেক্তা লৌশিনবা অমদি চোংথোক-চোংশিন তৌবগী থবক অমদি হোর্স ট্রেদিংগী থবকশিংসু তৌহন্নিংদে। পোলিটিক্স হায়বসিদি ঐগী লৈজরিবা লৈবাক অসিগী মীয়ামগীদমক কৎথোকপনি হায়বা ৱাফম অসি মরুওইনা পোলিটিসিয়নশিংনা খঙমিন্নসি।

ঙসিদগী হেন্না কনশিল্লগনি ...

*লামায় ১গী মখা...*চেরোল অমদা লৈঙাক্লা পুলিস/সী আই দি থাদোক্তুনা এস টিগী ঈহৌবু শৌগৎচরিবা মেম্বরশিংগী পর্সনেল দাটা খোমগৎতুনা ঈহৌ নমথনবা হোৎনবসি তৌবীনু, দেমোক্রেসিগী চৎনবীদা য়াওদে হায়রি।

মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা 'মোই মীতৈ...' হায়দুনা শীজিন্নরিবা ৱাহৈসি লাইবক থীবনি। হায়বদি থওইদবা দিসরেস্পেকফুল ওইবনি। মরম অসিনা ইকায়খুম্নজরিবা চীফ মিনিষ্টরনা অসিগুম্বা লাইবক থীবা ৱাহৈ অসি ৱিথদ্রো তৌবীয়ু অমসুং হন্দোকপীয়ু হায়রি।

লোয়ননা লৈবাক মীয়ামদা অমুক্কা হন্না ইকায়খুম্নবগা লোয়ননা নোল্লুকচরি হায়রদুনা ফোঙদোরক্লিবা ৱাফমনা চথুরক্লিবা জেনরেল ষ্ট্রাইক অসি ঐখোয়গী অমদি ঐখোয়গী ইচাগী অমসুং ইশুগীদমক য়েংলগা চথুজবনি। ঐখোয়না ঙসি নীনি/হুমনিসি অৱাবা খিক্তং খাংমিন্নদ্রবা কুইররোই চহী ৫/৬কী মতুংদদি মীতৈ ঐখোয় মীগী মখা থাদোইনি হায়বসি কাউবীগনু। ৱারবসু ৱানা গাড়ী, কম্মার্সিএল ভেহিকলশিং, বিজিনেস ইষ্টাব্লিসমেন্টশিং, লল্লোন ইতিক, ইশাগী শিনফমশিং অমুক্তং লেপ্পীয়ু। ঐখোয় ৱাই হায়বসি চপ চানা খঙজে অদুবু ঐখোয় মীতৈ অসি লৈক্রক্তা চঙখিগদৌবা অসিদগী অমুক্তদি কন্নবা খোঙজং অসি কন্না চৎমিন্নসি, শৌগৎপীয়ু অমসুং মপূং ফাহনবীয়ু হায়নসু আপীল তৌরক্লি।

বি জে পিগী নেসনল প্রসিদেন্ট জে পি নদ্দা...

লামায় ১গী মখা... মণিপুর প্রদেশকী থৌপুবশিংনা তরাম্না ওকখি। ইম্ফাল এয়রপোর্টতগী থোক্লকপদা জে পি নদ্দাবু বি জে পিগী তোঙান তোঙানবা মন্দলগী থৌমীশিং, ইন্টেন্দিং কেন্দিদেটশিং অমদি ৱার্কর কয়ামরুম্নসু তরাম্না ওকখি। মফম অদুদগী জে পি নদ্দা লৈকং লম্বীদা চিংমৈরোংদা লৈবা ক্লাসিক গ্রান্দেদা চৎখি। মফম অদুদা হেক থুংলবগা বি জে পি মহিলা মোর্চাগী থৌমীশিং অমদি ৱার্কর কয়ামরুম্নসু তরাম্না ওকখি। জে পি নদ্দানা লাকখিবা অদুদা লম্বীগী নাকল্দসু বি জে পিগী ৱার্কর কয়ানসু পার্টিগী ফিরালশিং পায়দুনা তরাম্না ওকখি। ঙসি ইম্ফালদা থুংলরবা জে পি নদ্দানা হয়েং অয়ুক পুং ৮.২০ তাবদগী ক্লাসিক গ্রান্দেদা স্পোর্টস পর্সনেলিটি অমদি এক্স-সর্ভিসমেনশিংগা উনগনি। নুমীৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.২০ তারকপদা কৈনৌ মখা লৈকায়, ওইনাম, বিষ্ণুপুরদা পাঙথোক্কদবা গো টু ভিলেজ ২.০গী থৌরমদা শরুক য়াগনি। তুংদা নুংথিল পুং ৩ লোম তারকপদা খোংজোম ৱার মেমোরিএল কমপ্লেক্সতা লৈবা ফ্রিদম ফাইটরশিংদা হৈকৎ-লৈকৎ তল্লম্লবা মতুং থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী খোংজোমদা পাঙথোক্কদবা পব্লিক মীটিং অমদা শরুক য়ারল্লগা নুমীদাংদা দেল্লীগীদমক ইম্ফাল থাদোকখিগনি হায়রি।

অমরোমদা, ঙসি নুংথিল থম্বাল শঙলেনদা বি জে পিগী নেসনল জেনরেল (ওর্গনাইজেসন) বি এল সন্তোশনা প্রিসাইদ তৌদুনা মন্দলশিংগী প্রসিদেন্টশিং, মন্দলগী ইন-চার্জশিং, মন্দলগী কনভেনরশিংগী মীফম অমসু পাঙথোকখি। মীফম অদুদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন, বি জে পি মণিপুরগী ইলেক্সন ইন-চার্জ ওইরিবা ভুপেন্দ্র যাদব, বি জে পি মণিপুরগী ইন-চার্জ ডা. শম্বিট পাত্রা, বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট এ শর্দা অমদি পার্টি অসিগী সিনিয়র লিদর কয়াসু শরুক য়াখি।

KINGDOM EDUCATIONAL INSTITUTE
Fulfill your Dreams
Regd. No. 422 of 2020 (Govt. of Manipur)
CIN: Regd. No. U80903MN2021PTC014275 (Ministry of Corporate Affairs, Govt. of India)

APPLY NOW ! AVIATION COURSE Starts from 20th Dec 2021
CABIN CREW, GROUND STAFF TRAINING
100% Job Placement Assistance, Jobs across the Globe

Competitive Exam Courses
GFC (General Foundation Course), Banking, SSC, NDA, CDS, (State and Central Job Exams)

SPOKEN ENGLISH and COMPUTER CLASS for Children Class VI to X

COURSES AVAILABLE (for all ages)
SPOKEN ENGLISH, SPOKEN HINDI
COMPUTER (NIELIT), STOCK MARKET

Get trained by highly qualified & long experienced Experts under the Supervision of Sir Naobi Loitongbam
- 21 yrs Teaching Experience
- 3 months at IT Call Centre as a Trainer
- 1 Month in Myanmar / Burma as a Trainer (Sponsored by SAT, Govt. of Manipur)
- 2 Months at AIR (All India Radio) Imphal
- Multiple Schools & Colleges
- As an English Language Trainer (Sponsored by UGC)

Special Coaching Class For Juniors (Both for Boys & Girls)
JNV (Novodaya), SAINIK (Class VI)
RIMC (Rastriya Indian Military College) Class VIII
Instructors: Former Students of RIMC, SAINIK & JNV (Navodaya), Ex SSB Officer (Highly qualified & Experienced)

Address: Kingdom Office, IIIT Building (1st Floor) Old Lambulane, Opp. GP Women's College
Contact No. : 9612224161, 7005622203, 8837407726, 7005157041

HL-B/7293/22nov.-19jan.(alt.)